নুমীৎ ১০নি চুপ্পা চত্থরকপা কোভদ-১৯গী এব্ব্যের্নেস কেম্প্যেন লোইশিনখ্রে

PUBLICITY / AWARENESS CAMPAIGN
ON COVID APPROPRIATE BEHAVIOUR
KHUNDRAKPAM
DATE
ASSEMBLY CONSTITUENCY
SUNDAY
By : COVID - 19
TASK FORCE

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯ জোইন্ট টাস্ক ফোর্স পৌরাবীনা হৌখিবা মে ২দগী হৌদুনা নুমীৎ ১০নি চুপ্পা চত্থরকপা কোভিদ-১৯গী এব্ব্যের্নেস কেম্প্যেন অমসুং পব্লিসিটি কেম্প্যেন ঙরাং লোইশিনখ্রে হায়না কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স, পৌরাবীগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাহেংবম জনমঞ্জয় মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এব্ব্যের্নেস কেম্প্যেন অসি ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি অমসুং সী এম ও, ইম্ফাল ইষ্টনা হৌখিবা মে ২দা পৌরাবী লাইনিংথৌ পুথিবা কম্যুনিটি প্লে গ্রাউন্দদগী ফ্লেগ ওফ তৌদুনা হৌদোকখিবনি। লোয়ননা এস পি, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং সী এম ও, ইম্ফাল ইষ্টকী মীৎয়েং মখাদা পোষ্টর কেম্প্যেন য়াওনা নুমীৎ ১০নি চুপ্পা এব্ব্যের্নেস চত্থরকপনি।

কেম্প্যেন অসিবু পাঙথোকপদা মতেং ওইননবা শেলগী মতেং পাংবীরকখিবশিং অমসুং কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংশিংগীদমক চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা মতেং পাংবীরকখিবা খূদিংমকপুসু থাগৎলি। কেম্প্যেন অসি লোইশিনবা নুমীৎতা জেম পব্লিক স্কুল পৌরাবী অমসুং টাস্ক ফোর্সকা খুৎশম্নদুনা পৌরাবীগী সিনিয়র সিটিজন ৬৫ রোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি। লোয়ননা কোভিদ টাস্ক ফোর্স অসিনা খুন্দ্রাকপম এ সীগী ওইনা কোভিদ ক্যের সেন্টর/আইসোলেসন সেন্টর ওইগনি হায়দুনা মীদিয়াদা ফোঙদোকখ্রবা কানন দেবী মেমোরিএল স্কুল, আর কে সনাতোন্বী বিদ্যালয়া অমসুং নাওরেম বিরহরি কোলেজগী ফীভমসু য়েংশিনখি। লাইবক থীবদি মফম অয়াম্বদা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমদি আইসোলেসন সেন্টর হাংদোক্লখ্রবসু খুন্দ্রাকপম এ সীগী ওইনদি করিগুম্বা এক্টিভিটি অমত্তা হৌবগী ফীভম লৈহৌদে। হৌখিবা মে ৬তা মরী লৈনবশিংনা মহেশঙশিং অসি হোম আইসোলেসন সেন্টর ওইনবা ওর্দর থোকখিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা করিগুম্বা মখলগী এক্সন অমত্তা লৌখৎলমদবনো। হীরমসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ থেংনবদা মীদিয়া য়াওদনা মায় পাকপা ঙম্লোই : এম পি পি

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি থেংনবদা মীদিয়া য়াওদনা মায় পাকপা ঙম্লোই। মালেম অসিদা লৈরিবা লৈবাকশিং অমসুং মণিপুর য়াওনা কোভিদনা শোকহল্লবা মীওইবা খুন্নাই ঐখোয়দা মীৎনা উবা ফংহল্লিবা অমদি নানা তাবা ফংবগী খুদোংচাবা ফংলিবসি কত্থোকপগা লোয়ননা মীদিয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিংনা মীয়ামদা পীবা খুদোলনি হায়না মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)না ফোঙদোরক্লি।

এম পি পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এস ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভতা মীশি-মীনা ইথোক-থোকহন্দনা লাকশিনবা ঙমখিবদু মীদিয়াশিংনা মীয়ামদা পীবা এব্ব্যের্নেসশিং অদুনা ঙম্বনি হায়না পার্টি অসিগী অচেৎপা থাজবা থল্লি। মণিপুর য়াওনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা কোভিদকী লায়না অসিনা করম করম্বা লৈবাকশিংদা খুদোংথিবা থোকহন্দুনা নোংমদা মী কয়াম নাহল্লে। শিখিবা মশীংনা কয়াম শুরে অমসুং নারুবদগী মী কয়াম ফগৎখ্রে হায়বনচিংবা খঙবা ঙম্লিবসে মীদিয়াশিংনা মীয়ামদা পীবা খুদোলনি। মীদিয়ানা ফুরুপ অমা কনবা অমসুং কন্দবা হায়বসিদা অচৌবা থৌদাং লৈ। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মণিপুর মীয়ামদা কোভিদকী মতাংদা তৌহন্নিংবা থবকশিং, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা কোভিদ ৱেভশিং থেংনবদা চৎকদবা চৎন-কাঙলোনশিং, মীয়াম্মা লৈঙাক পায়রিবশিংদা হায়নিংবা অপাম্বশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিংগী অপাম্বশিং, ডোক্তরশিংনা কোভিদ ৱেভশিংগী মতাংদা পীনিংবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা পীবা পাউতাকশিং, মালেমগী লৈবাক কয়া অসিদা কোভিদনা শোকহনবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা অখঙ-অহৈশিংনা খন্ন-নৈনবশিং পুন্নমকপু য়ুমদা লৈনা লৈনা ঈ-পাউ খূদিংমক মীদিয়াগী খুত্থাংদা তাহনবা উহনবা ঙম্লিবসি মখোয়না মীয়ামদা পীবা খুদোলনি।

মণিপুরনা মনিংতম্বা লৈবাক অমা ওইরিঙৈ মতমদগী মীদিয়াগী লমদা থৰায় য়াওজবা লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিং অদুনা তৌরম্বা থবক থৌরমগী মখা চত্থরকপা ওইনা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুল্লবা মতুংদা অয়ুক, নুংথিল, নুমীদাং নাইদনা কোভিদ খক্তা নত্তনা মীয়ামগী থবক থৌরমশিং অমসুং লৈঙাক্কী ঈ-পাউ পুন্নমকপু শন্দোক্লবা অচৌবা থৌদাং লৌবীরিবশিংবু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অহেনবা মীৎয়েং থন্বীরগা মীদিয়াদা থবক তৌরিবা ইচিল-ইনাওশিংদা লৈঙাক্কী ওইবা করিগুম্বা মতেং খরা পাংহন্নিংবগী অপাম্বা মণিপুর পিপলস পার্টিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকচরি। মণিপুরদা মীদিয়াদা থবক তৌরিবা এদিটরশিং, পাউমীশিং অমসুং হোকরশিং পুন্ন মক্না অপীকপা খুৎশুমল খরা ফংলগা অয়ুক, নুংথিল, নুমীদাং নাইদনা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা মখোয়গী কত্থোকপবু এম পি পিনা ঈকায় খুম্নবা উৎচরি অমসুং খুন্নাই অসিগী মীয়াম্নসু মীদিয়াদা লৈরিবশিংগী দেদিকেসনবু মশক খঙবীগদবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

মাইক্রো স্মোল এন্দ মেদিয়ম ওন্ট্রপ্রেন্যুরস (এম এস এম ঈ)গী নেসনল বোর্দ মেম্বরসু ওইরিবা এম পি রাজ্য সভাগী পোলিটিকেল এদভাইজর রোবিন ব্লেকিনা লেপ্তুনা চত্থরকপা তেংবাঙ পীবগা মরী লৈননা ঙসিসু লংথবাল এ সীগী মনুংদা লৈবা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা লংথবাল কুঞ্জ মখা লৈকায় অমদি লংথবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকায়গী য়ুমথোঙ কয়াদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে।

তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু রোবিন ব্লেকিনা লুচিংবা লিলোং ইম্ফাল ৱেষ্ট ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হান্নগী চ্যেরপর্সন লমাবম লালমনি, কাউন্সীল্লর অরাম্বম ওমিলা, মাইবম জয়কুমার, পুখ্রম্বম লোকেন, শুমাং লীলাগী আর্টিষ্ট চৌরজিৎ অমদি কাউন্সীল অসিগী এক্স-চ্যেরপর্সন নিংথৌজম সোরোজিনি অমসুং বি জে পি লংথবাল মন্দলগী থৌমী কয়াগা লোয়ননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদু কোভিদ-১৯গী চৈথেং নংলবা লংথবাল এ সীগী ইমুংশিংদা য়েন্থোকখিবনি।

ইদুল ফিটরনা লাকপদা এম এম দব্লিয়ু ওনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

ইদুল ফিটরনা লাকপদা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মৈতৈ পাঙল ইরৈচাশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীজবগা লোয়ননা হরাও নুংঙাইবা, অৱা-অনা লৈতনা মপুং ফানা ইদ পাঙথোকপা ঙম্বা ওইবীয়ু হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেন (এম এম দব্লিয়ু ও)গী প্রসিদেন্ট এস কে ৱাজিদ শাহনা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থা অমা চুপ্পা চরা হেন্দুনা অল্লাহ হুকুম রসুলগী তারিকাদা ঐখোয় খূদিংমক্না রোজা পাঙথোকখ্রবগী তুংদা মতিক মগুন্না থল্লবা নুমীৎ অমমুক মপুনা পীনবীরি। অসিগুম্লবা মতিক মগুন লৈরবা ইদুল ফিটরনা লাকপদা লমদমসিদা লৈরিবা ফুরুপ-কাঙলুপ খূদিংমক অমগা অমগা চেবাও পীনদুনা পুন্না ইদকী নুংঙাইরবা কুম্মৈবু পাঙথোকমিন্নদুনা চহী খূদিংগী লাকখিবনি। অদুবু হন্দক চহীগী ওইনদি য়াররোই। কোরোনা ভাইরসকী অনীশুবা ৱেভ লাকখিবনা মীওই কয়া শিখ্রে। কয়া অমনা পোজিটিভ ওইবদগী লায়েং চত্থদুনা লৈরিবনি। মসিগীদমক খল্লগা ইদকী কুম্মৈ অসি পাঙথোক্তবা য়াদবগী পাঙথোক্লবসু ষ্টেট লৈঙাক্না পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং মপুং ফানা ইনমিন্নদুনা ইদ পাঙথোকপীয়ু হায়না অপীল তৌজরি। লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মহৌশাগুম্না ইদকী কুম্মৈ পাঙথোকপদা অথিংবা অমদি অপনবা য়াওদনা পাঙথোকপদু হন্দক্কী য়াররোই হায়বা ৱাখল তাবীয়ু। লৈঙাক্না লায়না-লাইচৎ অসিবু থেংননবা হোৎনরিবা অসিদা সপোর্ট তৌমিন্নসি। থৌশাদবা তৌগুমসি। লায়না-লাইচৎ অসি লায়র-ইনাক খুনবা, অচৌ-পীশক, ফুরুপ-কাঙলুপ খায়বা নত্তে। মীওইবা খুন্নাইদা লান দারক্লিবা লায়না অমনি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইরম্বা য়ুম্নাম লৈকায় লাইরেন্বী মনিংদগী ভোগেন থিঙুজমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা রোয়ল রাইদর্স মণিপুরনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। লৈখিদ্রবা ভোগেন থিঙুজম রোয়ল রাইদর্স মণিপুরগী থবক থৌরম কয়াদা মতেং পাংবীরম্বা অমদি পূক্লিং থৌগৎপীরম্বা মীওই অমনি। মহাক্না ক্লব অসিগী তৌবীরম্বশিং ক্লব অসিগী মেম্বরশিংনা মতম চুপ্পদা কাউজ রোই। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না রোয়ল রাইদর্স মণিপুরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

‘কোভিদ-১৯গী লাইচৎকী য়েংলগা লাইনিং লাইশোলগী ওইবা থৌরমখক্তা পাঙথোকপীয়ু’

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

মুস্লিমশিংগী চাকহেন থা লোইবগা পাঙথোকপা কুম্মৈ অমা ওইরিবা ইদুল ফিটর অসি চহী অসিগী ওইনদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগী য়েংলগা শুপ্পতগী লাইনিং-লাইশোলগী ওইবা থৌরম অদুখক্তা পাঙথোকপীয়ু হায়না হিয়াংলম এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যামনা আপীল তৌরক্লি।

ৱাফম অসি এম এল এগী য়ুমদা পাঙথোকপা হিয়াংলম এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা কোনুমা খুলগী মুস্লিমশিংদা ইদুল ফিটরগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা চান-থক্লবগী পোৎলম অমদি মাস্কশিং খুৎশিন্নবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ রাধেশ্যামনা হায়খি, মুস্লিমগী চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং থোকপা কুম্মৈ অসিগীদমক মহাক্কী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল পীজরি। অদুবু কুম্মৈ অসি ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরে। হোস্পিটালশিংদা অনাবা লায়েংফম ফাওবা নীংথিনা ফংদবগী ৱাথোক কয়া লাক্লে। মরম অসিনা অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা কুম্মৈ হরাওনি হায়দুনা মীয়াম পুন্দুনা হরাওথোকপা, নুংঙাইথোকপগী মতৌ অদু ওইদ্রে। অদুনা লাক্কদৌরিবা ইদুল ফিটরগী থৌরম অসি মমিংতগী ওইনা লাইরম থৌরমশিং খক্তা ওইনা পাঙথোকমিন্নসি। লোয়ননা তমথীরবা লায়না-লাইচৎ অসি লৈঙাক খক্তা মুখৎনবা হোৎনবদা ঙম্লোইদবনা মীয়াম্নসু মপুং ফানা থৌদাং লৌমিন্নসি। মীয়াম্না লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা টিকা শোয়দনা থাদোকপীয়ু হায়খি।

ইদুল ফিটরগা মরী লৈননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):

ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা মুস্লিমশিংগী লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈননা খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা ইদুল ফিটরগা মরী লৈননা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মনুং চন্না লৈবা মুস্লিমশিংগী য়ুমথোঙ কয়ামরুমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোগী মীৎয়েং মখাদা মহাক্কী ৱর্করশিং অমদি বি জে পি ময়াং ইম্ফাল মন্দলগী মেম্বরশিংনা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা ইদুল ফিটরগা মরী লৈননা মতেং ওইননবা চেঙ, চিনি অমদি অচাথাউনচিংবা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি।

ইদুল ফিটর কুম্মৈগা মরী লৈননা দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়, মুস্লিমশিংগী শেংলবা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা ইদুল ফিটরনা লাকপদা লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা, তংদু লৈতাবা অমদি নুংশি-চান্নবা অপূনবগী শক্তম পুরকপা ওইরসনু। মালেমগী ওইনা শন্দোরক্লিবা তমথীরবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মীয়াম্বু অশি-অনা থোক্কদবা অমদি নারক্কদবদগী কনবীদুনা লায়না-লাইচৎ অসি মালেমগী লৈমায়দগী মুৎখিবা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

লৌশিং পুক্কে

মালেম পূম্বদা আইভরমেক্তিন

খুদক্তগী শীজিন্নবনা পেন্দমিক লোইশিনবা ঙমগনি: সাইন্টিষ্টশিং

COVID-19
Ivermectin
Medicine against coronavirus: Covid 19 virus

আইভরমেক্তিন চাং নাইনা শীজিন্নবা মতমদা তমথিরবা রেস্পিরেটরি দিজিজ অমা ওইরিবা কোভিদ-১৯দা কোন্ত্রেক্ট তৌবগী রিস্ক নীংথিনা হন্থহনবা ঙম্বা মরম্না মালেম পূম্বদা হীদাক অসি শীজিন্নবনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লোইশিনবা ঙমগনি হায়না প্যির-রিভ্যু রিসার্চ অমনা ক্লেইম তৌখ্রে হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না, কন্মন এন্টিপেরাসাইটিক আইভরমেক্তিন অসি মালেমগী দোক্তরশিং অমদি কেম্পেইনরশিংনা কোভিদ-১৯ ক্যুর তৌনবগী মিরেকল অমা ওইনা ঙাঙনরি হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স গভর্ণমেন্টকী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট অহুম য়াওনা মেদিকেল এক্সপার্টশিংনা চত্থখিবা প্যির রিভ্যু তৌখিবা রিসার্চ অদু অমেরিকান জর্নেল ওফ থেরাপ্যুটিক্সতা পব্লিস তৌরকখিবনি। মসি ভিট্রো (লেবোরেটরিদা শুংবা খুৎশেমগী শাদুম), এনিমেল, অমদি রিএল-ৱর্ল্ড ক্লিনিকেল ষ্টদিশিংদগী ফংবা দেটাশিংগী খ্বাইদগী হেন্না পাক চাউনা চত্থবা রিসার্চনি হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী ফ্রন্ট লাইন কোভিদ-১৯ ক্রিটিকেল ক্যের এল্লাইয়ন্স (এফ এল সী সী সী)না লুচিংদুনা মেদিকেল অমদি সাইন্টিফিক এক্সপার্টশিংগী গ্রুপ অমনা আইভরমেক্তিন দিষ্ট্রিব্যুসন ইফর্টশিংগী মতাংদা চত্থখিবা, মমাঙদা পব্লিস তৌখ্রবা প্যির-রিভ্যু ষ্টদিশিং, মেনুস্ক্রিপ্টশিং, এক্সপার্ট মেটা-এনালাইজশিং, অমদি এপিদেমিওলোজিকেল এনালাইজশিংবু রিভ্যু তৌখি। হায়রিবা খূদিংমক অদুদা আইভরমেক্তিন হায়রিবা হীদাক অসি কোভিদ-১৯গীদমক য়াম্না কান্নবা প্রোফাইলেক্সিস অমসুং ট্রিটমেন্টনি হায়বা উৎখি হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী ফ্রন্ট লাইন কোভিদ-১৯ ক্রিটিকেল ক্যের এল্লাইয়ন্স (এফ এল সী সী সী)গী চীফ মেদিকেল ওফিসার অমসুং প্রসিদেন্ট ওইরিবা পাইয়র কোরিনা হায়খিবদা, মেদিকেল ওথোরিটিশিংনা পাঙথোকপা ঙমখিদ্রবা থবক অদু ঐখোয়না পাঙথোক্লে, ঐখোয়না আইভরমেক্তিনগী মতাংদা অফংবা দেটাশিংগী খ্বাইদগী হেন্না পাক চাউরবা রিভ্যু পাঙথোক্লে।

আইভরমেক্তিননা পেন্দমিক অসিবু লোইশিনবা ঙমগনি হায়বা ৱারোইশিন পুরক্লিঙৈ মমাঙদা দেটা রিভ্যু অসি ক্বালিফাই তৌনবগীদমক ঐখোয়না গোল্ড ষ্টেন্দর্দ এপ্লাই তৌখি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

পাউ অসিনা মখা তারদুনা হায়, মেনুস্ক্রিপ্টকী ফোকস অদু কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ১৫দা ফংবা কন্ট্রোল ট্রায়ল ২৭তনি। মদুগী মনুংদা ১৫দি রেন্দমাইজ কন্ত্রোল্ড ট্রায়ল (আর সী দি)শিংনি।

য়ু কে, ইটালি, স্পেইন অমদি জপানননচিংবগী এক্সপার্ট পেনেলশিংনা পব্লিস তৌখিবা আইভরমেক্তিন আর সী টিশিংগী মশিং য়াম্লবা মেটা-এনালাইজশিং চপ মান্নখিবগা লোয়ননা, মখোয়না আইভরমেক্তিন শীজিন্নদুনা লায়েংবা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী মরক্তা শিবগী চাং, ফগৎলকপগী মতম, অমদি ভাইরেল ক্লিয়ারেন্সকী মতমদা য়াম্না চাউনা অমদি মশক থোক্না হন্থরকপা থেংনখি।

এফ এল সী সী সীগী ফন্দিং মেম্বর ওইবগা লোয়ননা ইষ্টর্ন ভর্জিনিয়া মেদিকেল স্কুলদা পুলমোনরি এন্দ ক্রিতিকেল ক্যের মেদিসিনগী চীফ পাউল ঈ. মারিকনা হায়খিবদা, ‘ঐখোয়গী খ্বাইদগী অনৌবা রিসার্চ অসিনা অমুক্না হন্না উৎলে মদুদি, ইভিদেন্স পুন্নমক অসি এগজামিন তৌবা মতমদা, আইভরমেক্তিন অসি কোভিদ-১৯গী ট্রিটমেন্ট অমসুং প্রোফাইলেক্সিস অমা ওইনা য়াম্না ইফেক্টিব ওই হায়বসিদা চিংনিনিংঙাই অমত্তা লৈত্রে।’

মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা রিজনশিংনা হৌজিক্তি আইভরমেক্তিন অসি কোভিদ-১৯গীদমক য়াম্না মতীক-ময়াই লৈবা প্রোফাইলেক্সিস অমসুং ট্রিটমেন্ট অমনি হায়না শকখঙলে।

সাউথ অফ্রিকা, জিম্বাবৱে, স্লোভাকিয়া, চেক রিপব্লিক, মেক্সিকো, অমদি ইন্দিয়াদা হীদাক অসি শীজিন্নবগীদমক মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংনা এপ্রুভ তৌরে।

খ্বাইদগী নৌরিবা ষ্টদি অসিদা উবা ফংলিবা রিজল্ট অসিনা উৎলে মদুদি, আইভরমেক্তিন দিষ্ট্রিব্যুসন কেম্পেইনশিংনা মীয়াম মরক্তা পাক শন্না নাহনবা অমদি শিহনবগী চাং য়াম্না থুনা হন্থহল্লি।

‘ঐখোয়না পেন্দমিক অসি অমুক্তংদা মফম পুন্নমক্কী ওইনা লোইশিনবা ঙম্নবগীদমক মালেম পুম্বদা লৈরিবা রিজনেল পব্লিক হেল্থ ওথোরিটিশিং অমদি মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংনা মখোয়গী ষ্টেন্দর্দ ওফ ক্যেরদা আইভরমেক্তিনবু থিন্থবা তৌদনা য়াওহন্নবা দিমান্দ তৌনবগীদমক ঐখোয়না পুক্নিং চিংশিল্লি’ হায়না মারিকনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

পুলিসনা ফাইন খোমগৎপা লেপ্তুনা চত্থরি

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) : ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লনবা মণিপুর লৈঙাক্না হান্না লাউথোকখিবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্তবা মীওইশিং পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা ঙসি দ্রাইভ চৎথখিবদা মীওই ২৩৩ দিটেন তৌখি।

হান্না লাউথোকখিবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্তবা মরুওইনা য়ুমদগী থোরকপদা ফেস মাস্ক উপ্তুবা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা অমদি মীয়াম তিনফমদা লোক-তিন শিৎপা য়াওনা ঙসি পুলিসনা দ্রাইভ চৎথবদা মীওই ২৩৩ দিটেন তৌখি। মখোয়শিং অদু অমুক হন্না মখা তানা তৌদনবা ৱার্নিং পীদুনা থাদোকখি। মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা ৮৫,২৫০ রোম ফাইন ওইনা খোমগৎখি।

পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চৎথবদা মীওই ২৩৩ দিটেন তৌখিবগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১২০, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৪, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৫৯, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ২২, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ২৭ অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১ য়াওনা দিটেন তৌখি হায়রি। লৈঙাক্কী চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্তবশিংগী মথক্তা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী মখাদা লিগেল এক্সন লৌখৎপসু য়াই হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

লানফম অনী মায়োক্নরিবা নোংমগী শুদুনা হিং লিবা মীওইশিংদা লৈঙাক্না মতেং পাংবিবা চুমগনি

কোভিদ-১৯গী লায়চৎ অসিগী অনীশুবা ৱেভ অসিনা হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরসু অমা ওইরক্লে। মণিপুরগী ফীভম শাথিরবা হোট স্পোট ওইরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরক্তা ককচিং দিষ্ট্রিক্টসু অমনি। লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোকহৌনবা কর্ফিয়ু/লোকদাউন মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ৭তা লাউথোকখ্রে। মসিসু তৌদবা য়াদবা মরুওইবা থৌরাং অমনি। অমরোমদনা মসিদা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীরিবা ৱাহল্লিবসি নোংমগী শরুগা চাজবা হেন্দ টু মাউথতা হিংবা কাংবুনি। হৌজিক মখোয়না লাম্থেংনরিবসি লানফম অনীনি অমনা চাদনা শিবা নৎত্রগা কোরোননা নাদুনা শিবা অসিনি। মখোয়দা মতেং খরাং ওইজবা নাফসাগী চেংসু ককচিং এ সীগীদি মার্চতগী পীরক্ত্রি। হীরম অসিদা লোকেল এম এল এ অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনেষ্ট্রেসননসু মীৎয়েং চংবিবা চুমগনি। করম্বা মতমদা শাফরক্কনি করম্বা মতমদা লোকদাউন/কর্ফিয়ু লোইগনি খঙদ্রিবনিনা লোকেল এম এল এনা অহেনবা থৌদাং লৌবিদুনা লৈকায়-লৈকায়গী ক্লব/সী এস ওশিংগী মতেংগা লোয়ননা ফুন্দ বেঙ্ক কুম্বা হাংবিরবদি নোংমগী শুরগা চাজরিবা মীওইশিংদা অচৌবা মতেং ওইগনি।

❒ শৌগাইজম রোনন খুমন, ককচিং ৱাইহরি ৱার্দ নম্বর ২

মহৈরোয়শিংনা কোভিদ লায়চৎনা মরম ওইদুনা য়ুম-য়ুমদা লৈরিঙৈদা মোরেল ভেল্যু তম্বিহৌরসি

য়ুম-য়ুমদা লেংদনা লৈরিঙৈগী তনিক-তনিক্লিবা কোভিদ-১৯গী তানফম অসিদা হৌরক্লিবা তুংগী য়ুম্বিরেন ওইরক্কদৌরিবা নহারোলশিংবু পেরেন্টস অমদি গর্জিয়ানশিংনা মোরেল ভেল্যুজ অমদি দিসিপ্লিন মরিক চুম্না তাকপীহৌরসি। পিক্লবা ইরমদম অসিদা মাঙথরক্লিবা মোরেল ভেল্যুজশিং হৌরক্লিবা নহাশিংদা খঙহল্লসি। মরুওইনা য়ূম-য়ূমদা লৈরিবা অঙাংশিংনা মোবাইল ফোনদা লাইচুদুনা নিশা অমগুম থাদোকপা ঙমদনা লৈরক্লিবা সিচুএসন অসি ফজনা রিগ্যুলাইজেসন তৌহৌসি নৎত্রবদি মেন্টেল অমদি হেল্থ প্রোব্লেম থোক্লক্তুনা মোরেল ভেল্যু মাঙথরক্তুনা লৈরিবা সোসল ইস্যু হায়বদি কোভিদ-১৯দগী হেনবা মেন্টেলিটিক ইস্যুজ ওইরক্লোই হায়নিঙাই লৈতে। হৌরক্লিবা নহারোলশিংবু পুন্সিগী অৱাবা মশক কোভিদ-১৯গী অৱাবসিদগী খঙহল্লসি। অৱাবা হায়বসি খঙদনা পুন্সিদা মায় পাক্লোই হায়না ৱর্ল্ডগী মমিং লৈরবা সাইকোলোজিষ্টশিংনা পীরম্বা আইদিয়া অদু হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা মরিক চুম্না খঙহল্লসি। ইকোনোমিক সোর্ছ মরাং কায়না লৈতবা লায়রবনা মশিং হেনবা লমদম অসিদা কয়াম কুইনা ইরৈচাশিংনা য়ুমদা লেংদনা লৈবা ঙমগদৌরিবনো? তুংদা কায়রক্তনবা পুকচেল শেংনা থবক তৌবা মথৌ তাই।

❒ থাংজম রোবিন্সন, সমরাম মখা লৈকায়

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩।০৫।২০২১ ইং, শগোলশেল;
কালেনগী নিনি পানবা।

মেষ: ঙাংবা শকপা, পোরম য়াৎপা, তাকপি-তম্বীবা অমদি অঙম্বফাওবা ৱাখল তাহনবসু ঙম্বা নুমিৎনি। খুরৌথাংবা কোক্লনি। য়েক্লবনদি য়েংশিল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিনা ঙাংবা হৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃষ: কিবা অমদি হরাওবা য়ান্নবা নুমিৎনি। হন্থবা লোইনদ্রবা অমদি মীতোপ থাজদ্রদি চিংনবা কোক্কনি। মীয়াম অমদি লৌশিং চালবগী ৱা তাবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা থোইনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: নিংহন্নদবা, পাইরক্কী লৌশিং অমদি নংগী ওইবা মীশিং লোইনবতনা মাই পাকউ অমদি কান্নবা ফংজৌ হাইবা নুমিৎনি। মীয়ামদি লোইনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কর্কট: নচা ননাই ময়েং তাবা অমদি থবক মাংবা য়াবা লৈফিংগনু। অদুবু পোরম শিনবা হৈবা অমদি নিংবদুমক পাংবনা কান্নবদি ফংউ হাইবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

সিংহ: নিংবা মপা চাগনি-খুৎচাও থাবসু মতাং চাই। পাউ নুংঙাইতবা খরদি তাবা নত্তনা অতৈদি মাই পাকপা-পাক্তবা হাইদু নশাদা লৈরে-কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱাতা লৌগনু ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা: নথক থোংবনা চানবীবা, নচাক নরল চাওখৎপা, মীয়াম্না ফনা শোন্নবা নুমিৎনি। ফত্তবা ৱাখলনা মাংওইনরদি অঙম্বগা ৱাখল তান্নদবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: পাইরক্কী লৌশিং খরা শোনগনি অমদি তুং-মাং য়েংদনা অনম তানগনু-পামদবা নংবা য়াই। অদুবু থৌনাদি লৈগদবনি-মদুনা লন চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং ফাথাখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: ঙসিসু নিংবা শোইদনা থুংগনি-অনৌবা থৌরম পাংবা হৌহৌবা কান্নগনি। অঙম্বনা চানবিবৈ অমদি মরুপ মপাংগী মতেং ফংবৈ নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

ধনু: হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি মরুপ মপাংগা মরি ফত্তবা লৈরসু থাজদবা নুংঙাইবা ফংজবা অমদি নিংবা মপা চাবা লৈ। ফংবা য়াবা খরসু পনখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল খরা নুংঙাইরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মকর: নচা-ননাইগী লমদা অমদি মীয়াম্না থাগৎপিবগী নুংঙাইজবা ফংগনি। হেন্না অশা চাওবা, চরাংনবা অমদি মরুপকী লমদা পেন্দবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা: অশাওবনা মাংওইনগনু অমদি নিংবদুমক ওইদবা য়াদে খনগনু। পোরম য়াৎপা অমদি ঙাং-শকপদি য়াম্না হৈগনি। ঈকাইবা নংবা য়াবা কোকচৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিন: অফবা মফম ফংগনি, পল্লম্বা ফংবগী নুংঙাইবা অমদি মীচং হেনগৎকনি। অদুবু পামজবা থবক অমদি লৌশিং চাওবা তান্নদ্রদি পনখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।